# স্পেনগী বার্সেলোনা অমসুং ইংলেণ্ডগী লিভরপুল মখোয় মখোয়গী লম্বা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে






বার্সেলোনা/ম্যুনিক, মার্চ ১৪ (এজেন্সী)ঃ
যুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ ফূটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অরোইবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লীগকী মেচ অনীদা স্পেনগী বার্সেলোনা অমসুং ইংলেণ্ডগী লিভরপুলনা মখোয় মখোয়গী লম্বা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা স্পেনগী সিটি বার্সেলোনাদা শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেচ অমদা য়ূম্বু ওইখিবা বার্সেলোনা অমসুং ফ্রান্সকী লিওন ফূটবোল ক্লবতা লম্বা তৌনখি।

নীংশিংবা য়াবদি, টিম অনীনা মমাঙ থাগী ১৯ দা শান্নখিবা অহানবা লেগ মেচ অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চংখিবনি। ঙরাংগী মেচ অদুদা শান্নবগী হৌরকপগী ইকুই কুইদ্রিঙৈ ১৮শুবা মিনিটতা বার্সেলোনাদা শরুক য়াখিবা আর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসিনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মেচকী মখা চত্থরকপদা টিম অদুমক্কী কোটিনোনা শান্নবগী ৩১শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা লিওনবু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনিট ১৩ শুবদা লিওনগী মায়কৈদগী অপূনবা মেচকী ৫৮শুবা মিনিটতা টোসার্টনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা স্কোরবোর্দ অদুদা বার্সেলোনাগী ২ অমদি লিওনগী ১ অমা লৈখি। মেচকী ৭৮শুবা মিনিটতা বার্সেলোনাগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা মেসিনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৩-১ দা হেন্দুনা লৈখি। মখা তানা শান্নবগী ৮১ শুবা মিনিট অমসুং ৮৬শুবা মিনিটতা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী পিকে অমসুং দেমবেলেনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা লিওনবু পাঞ্জল ৫-১দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙরাং জর্মনিগী সিটি ম্যুনিকতা শান্নখিবা অতোপ্পা প্রি-ক্বার্টর মেচ অমদা য়ূম্বু ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক অমসুং ইংলেণ্ডগী লিভরপুল লম্বা তৌনখি। পনবা য়াই, টিম অনীনা মমাঙ থাদগী ১৯ দা শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টরগী অহানবা লেগতা পাঞ্জল চন্নদনা লৈখিবনি।

ঙরাংগী মেচ অদুদা লিভরপুলগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখি। মদুগী খুদোংচাবা শান্নবগী ২৬শুবা মিনিটতা টিম অদুগী মানেনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা বেয়র্ন ম্যুনিকপু মাঙজিল থাখি। পাঞ্জল হন্দোক্লবা জর্মনিগী টিম অদুনা পুখৎলকপা এটেক অমদা শান্নবগী ৩৯শুবা মিনিটতা বোল অদু লিভরপুলগী পেনাল্টি এরিয়া য়ৌশিল্লকখি।

জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিকনা বোল অদু পাঞ্জল ওন্থোক্লবা কাওশিনবদা লিভরপুলগী দিফেন্দর মাটিবনা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা শোয়বদগী মহাক্কী গোলদা কাওশিনখিদুনা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী পাঞ্জল ওইহন্দুনা টিম অনী পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা লৈখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লক্কদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা মায়কৈ অনীদগী হোৎনখিবা পূম্নমক পাঞ্জল ওইবা ঙমদনা ১-১ দা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা লিভরপুলগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়বা ঙমখি। শান্নবগী ৬৯শুবা মিনিটতা লিভরপুলগী মায়কৈদগী পুখৎলকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় ভান দিকনা পাঞ্জল ১ বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদা চন্দুনা লিভরপুলনা মেচ অদু পাঞ্জল ২-১ দা হেন্দুনা লৈখি।

মেচ অদুদা পাঞ্জল ১ শোত্থরবা য়ূম্বু বেয়র্ন ম্যুনিকনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইক্কেলাইজর কোইথি থিখি। লিভরপুরগী দিফেন্দরশিংসু চপ চানা শেম-শাবা ঙমদুনা মখোয়গী মায়কৈদগা বেয়র্ন ম্যুনিকনা পুশিল্লকপা বোলশিং অদু ঙাকথোক্তুনা লৈখি।

শান্নবগী মতম য়ামশিল্লক্ত্রবা ৮৪শুবা মিনিটতা লিভরপুলগী মেচ অদুদা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা মানেনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা বেয়র্ন ম্যুনিককী চেম্পিয়ন লীগ ফূটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল অদু থিংবা হৌখি। লেমহৌবা মিনিটর খরা অদুদা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী লিভরপুল ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

ঙরাংগী মেচ অনী লোইশিনখ্রবা মতুং চেম্পিয়ন্স ফূটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা টিম ৮গী লিষ্ট লোইখি। টিমশিং অদুদি- ইংলেণ্ডদগী ক্লব মরি (লিভরপুল, মেনচেষ্টর সিটি, মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং টোটেনহাম হোটস্পর); ইটালিদগী জুবেন্দস; নেদরলেন্দ্স এজাক্স; পোর্টুগালদগী পোর্টো অমসুং স্পেনদগী বার্সেলোনানি।

টিম ৮না লম্বা তৌনগদৌরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ক্বার্টর ফাইনেল দ্রো অদু হয়েং পাঙথোক্লগনি। লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেল অহানবা লেগ অদু এপ্রিল ৯ অমসুং ১০দা শান্নরগা অনীশুবা লেগ অদুনা এপ্রিল ১৬ অমসুং ১৭তা শান্নরগনি।

# স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং স্পেনগী রাফেল নদাল ক্বার্টর য়ৌখ্রে, নুপীগীদা মুগুরুজা মায়থিহৌরে



ইন্দিয়ান ৱেল্স, মার্চ ১৪ (এজেন্সী)ঃ
মালেমগী নুপাগী টেন্নিস শান্নরো-য়শিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং স্পেনগী রাফেল নদাল য়ু এস এসতা পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়ান ৱেল্স এ টি পি টেন্নিস টুনামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপীগী কাঙলুপ্তা স্পেনগী গারবিন মুগুরুজা ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে।

স্বিদরজলেন্দগী রোজর ফেদররনা ইন্দিয়ান ৱেল্স ওপন মীয়াম্না বি এন পি পরিবাজ ওপন হায়নসু খঙনরিবা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা বৃটেনগী কাইল এদমুনবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইখি।

অহানবা সেট অদু ফেদররনা এদমুনগী সর্ভিস গেম ২ ব্রেক তৌদুনা ৬-১ দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা বৃটেনগী এদমুননা কন্না হোৎনরক্তুনা মহাক্কী মায়কৈদগী গেম ৪ মায় পাকপা ঙমখ্রবসু ফেদররনা মহাক্কী সর্ভিস গেম অমা মুনবা ঙমখিবা অদুনা মরম অদুনা ৬-৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ফেদররনা ক্বার্টর ফাইনেলদা পোলেন্দগী শান্নরোয় হুবর্ট হুরকাজগা লম্বা তৌনগদৌরি। হুবর্টনা মহাক্কী প্রি-ক্বার্টরদা কানাদাগী শান্নরোয় দেনিস শাপোভালোভপু ৭-৬ (৭-৩), ২-৬, ৬-৩ দা থোইরম্বনি।

অতোপ্পা মেচ অমদা স্পেনগী রাফেল নদালনা প্রি-ক্বার্টরদা সর্বিয়াগী শান্নরোয় ফিলিপ ক্রাজিনোভিসপু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরমখি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়ান ৱেল্স এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসি স্বিজর-লেন্দগী রোজর ফেদররনা টাইটল ৫রক লৌবা ঙম্লি অদুগা রাফেল নদালনগা টাইটল ৩লক লৌরি।

নুপাগী অতোপ্পা প্রি-ক্বার্টর মেচ অমদা কানাদাগী মিলোস রাওনিকনা জর্মনিগী জান লেনার্দ ষ্ট্রুকপু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সকী গেল মোনফিল্স অমসুং জর্মনিগী ফিলিপ কোলস্ক্রেবর অনীগী অথোইবা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপীগী কাঙলুপ্তা স্পেনগী গারবিন মুগুরুজা কানাদাগী নহা ওইরিবী বিয়ানকা এন্দ্রিসকুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়াম্না কোম্না ৬-০, ৬-১দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। চহী ১৮দা ঙাইরিবী এন্দ্রিসকুনা কুমজা ২০১৬কী ফ্রেঞ্চ ওপন অমসুং কুমজা ২০১৭কী ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন মুগুরুজাবু থোইরগা সেমি ফাইনেলদা রসিয়াগী এলিনা স্বিটোলেনা অমদি মার্কেটা ব্রোন্দ্রোসোভা অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

# স্বিস ওপন বেদমিন্টন্দা ইন্দিয়াগী সুভাঙ্কর দে অনীশুবা রাওন্দ য়ৌখ্রে



জুরিক, মার্চ ১৪ (এজেন্সী)ঃ
স্বিজরলেন্দদা পাঙথোকপা স্বিস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী সুভাঙ্কর দে অহানবা রাওন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাওন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

সুভাঙ্কর দেনা ঙরাং শান্নখিবা অহানবা রাওন্দগী মেচ অদুদা ফ্রান্সকী লুকাস ক্লেরবোবু মিনিট ৪৮ চঙনা লম্বা তৌনবদা ২১-১৯, ২১-১৭ত থোইদুনা অনীশুবা রাওন্দদা টুর্নামেন্টঅসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোয় ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গল্স কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী ব্রুসালি গুমাদি ইষ্টোনিয়াগী শান্নরোয় কৃষ্টিন কুবাগী মখূত্তা অকনবা লম্বা অমদা ১২-২১, ২৩-২১, ১৭-২১দা মায়থিহৌখি। নুপাগী দবল্সতা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং বি সুমিত রেদ্দি, জর্মনিগী দেভিদ অমসুং ফেদরিক্কী মখূত্তা মায়থিহৌখি।

# ইন্দিয়াগী জোশনা সিনাপ্পা ব্লেক বোল স্কৱাশ ওপনগী ক্বার্টরদা লৈহৌরে



কাইরো, মার্চ ১৪ (এজেন্সী)ঃ
ঈজিপ্টকী কোনুং কাইরোদা পাঙ-থোক্লিবানুপীগী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ব্লেক বোল স্কৱাশ ওপন অদুগী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় জোশনা সিনাপ্পা মায়থিহৌরে।

ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় জোশনা সিনাপ্পানা টর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় নিকোল দেভিদ অমসুং সরাজেন পেরিবু থোইরমখি। ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল অদুদা ন্যু জীলেন্দগী জুয়েল কিংগা লম্বা তৌনবনি।

জুয়েলবু অহানবা গেমদা জোশনা সিনাপ্পানা ১১-৭দা থোইখি। অনীশুবা গেম জুয়েলনা ১২-১০দা থোইরবা মতুং জোশনা সিনাপ্পানা ৩শুবা গেম অদু ১১-২দা থোইখি। অদুবু ৪শুবা অমদি ৫শুবা গেম জুয়েলনা ১১-৫, ১১-৮দা থোইদুনা সেমি-ফাইনেল ওইখি।

# ইন্দিয়াগী লকশ্যা সেন প্রি-ক্বার্টর য়ৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৪ (এজেন্সী)ঃ
চাইনাগী লিংসুইদা পাঙথোকপা চাইনা মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা এসিয়ান জুনিয়র চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী লকশ্যা সেন প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

সেনিয়র থাক্তা শরুক য়ারকপা কুইদ্রিবা লকশ্যা সেননা ঙরাং মালেসিয়াগী শান্নরোয় কিন য়ুবু শুপ্নগী মিনিট ৩৪ চুপ্না শান্নখিবা অনীশুবা রাওন্দগী মেচ অমদা ২১-১২, ২১-১৩দা মায়থিবা পীখি।

পনবা য়াই, লকশ্যা সেন অহানবা রাওন্দদা বাই ফংখিবনি। মহাক্না ঙসি অথেংবদা সাওথ কোরিয়াগী শান্নরোয় য়ুং রুংগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সাই উতেজিথা রাই চুককা অহানবা রাওন্দগী মেচ অমদা চাইনাগী সিকি ৱাংগী মখূত্তা পূং অমা হেন্না শান্নদুনা ২১-১৭, ২০-২২, ১৭-২১দা মায়থিখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯০

১। ঐ কোরিয়া মচানি। জপান্না ঐবু নমদুনা ঐগী ইমিং জপানগী মমিংদা ওন্থোক্লগা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবদা ঐহাক অনীশুবা পোজিসন তাখি। ঐগী ইমীং করি কৌবগে?

২। মহাক মণিপুরগী মন্ত্রি ওইরম্মী। ষ্টেট অসিগী সাইকল লমজেলদা মকোক ওইখি, মহাক লৈখিদ্রে। মহাক্কী মমিং হায়য়ু।

৩। ঐখোয় অনীমক কার এক্সিদেন্টতা মীৎ নাম্মা তাংই। মহাক্তি ৱর্ল্ড কপ অমুক ফাওবদা শরুক য়াখিদে, ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী কেপ্তেনদি ওইখি। ঐদি কোলেজ তম্বা ফাওবা ফংলকখিদে। ইংলেন্দনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল লৌখিবা টিম অদুদা ঐসু য়াওখি। মহাক ফুটবোল শান্নরোয় নত্তে। ঐখোয় অনীগী মীং হায়য়ু।

৪। ঐহাক তা লংবদা মালেমগী রেকোর্দতি থুগাইখি। ঐগী রেকোর্দ হৌজিক ফাওবা থুগাইবা ঙমদ্রি। ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদি অমুক্তা ফংলকখিদে। ঐগী ইমীং হায়য়ু।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫ ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।















Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com